# ইন্দিয়ন হোকি টিমগী ভাইস কেপ্টেন ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নরিবা মণিপুরগী কাঙুজম চিংলেনসনা


কাঙুজম চিংলেনসনা

কুমজা ১৯৯১গী দিসেম্বর ২দা বাসিখোং ৱাংখৈ লৌমানবী লৈকায়দা কাঙুজম চীংলেনস্না তাইবঙপান ফাওরকখি। অপোকপগী মীংনা কাঙুজম জানেশ্বর, অপোকপীগী মীংনা থৌনাউজম নিংঙোল কাঙুজম ওংবী বাভিনি কৌই। হোকিনা মপূং ওইনাশান্নবা, বাসিখোং মৈরাক্লবনা কোনবা মফম অমদা চাউরকখিবা ওইবনা পীক্লিঙৈদগী চীংলেনস্নাসু হোকিশান্নবা থোইদোক্লা পাল্লকখি।

কাঞ্চিপুরদা লৈবা 'লিট্টল রোজ' দা ক্লাস ফাইভ তম্বা মতম, কুমজা ২০০১দগী চীংলেনস্না হোকি শান্নবা হৌরকখি। অহানবা ওইনা চীংলেনস্নাদা হোকি তম্বীরকখিবা মীওইদি থোকচোম ৱোজেন (হান্নগী ইন্টরনেসনল হোকি প্লেয়র) নি। মৈরা ক্লবকী শান্নরোয় ওইনা ক্লব অসিগী সেনিয়র প্লেয়রশিংনসু হোকিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা টেক্নিকশিং তাকপীরকখি। চীংলেনস্নাদা ইহান হানবা হোকি ষ্টিক পীবিরকপা মীওইনা ৱাইখোম রোনানি।

কুমজা ২০০১দা খুমন লম্পাক য়ৌরক্লবা মতুংদদি পোষ্টিরিয়র হোকি একাদেমিগী কোচ ওইনা লৈরিবা ক্ষেত্রিময়ুম রোমেস অমদি দল্লিয়ু হেরোজিৎকী মখাদা ফজনা ত্রেনিং তৌবা হৌরকখি। হৌজিক হৌজিক বেঙ্গলোরগী সাইদা তৌরিবা ইন্দিয়া কেম্পতা অকনবা ত্রেনিং চত্থরিবা শান্নরোয় অসিগা ৱারী শাজরুবদা অসুম্না হায়বীরকখি, ঐহাক্না হোকি পাল্লকখিবা অসিমদি ঐখোয়গী মৈরা ক্লব অসিদা সেনিয়র ময়াম্না শান্নবসি উজরুবদগীনি। হোকিসিদা মমিং লৈবা সেনিয়র প্লেয়র ময়াম অমসু ঐখোয় লৈকায়দা লৈ। অদুগা ঐহাক্না হোকি শান্নজরকপসিদা ঐগী মাম্মা অহুম, মাম্মা থৌনাওজম চন্দ্র (মাম্মা অহল), মাম্মা তোলপিশক (মাম্মা য়াইমা), মাম্মা ধনঞ্জয় (মাম্মা অতোনবা, হৌজিক্তি লৈখিদ্রে) সিনা ঐবু ফুল সপোর্টপীবিরকখি।

ঐনা শান্নজরকপা মতমদা অৱাৎ-অপা অমত্তা লৈহন্দনা মতেং পাংবীরকখিবসিনা দা ৱোজেননি। ঐগী করিগুম্বা শান্নবগা মরী লৈনবা পুম্নমক দা ৱোজেননা লোইনমক হোৎনবীরকখি। লৈকায়গী অহল-লমন পুম্নমক্নসু ঐনা হেক শান্নজবা হৌরকপদগী অশোয়-অঙাম কয়া তাকপীদুনা ফজনা পুক্নিং থৌগৎপীরকখি। ময়াম্না থাজবীবা পুম্নমক্তু ঙাকপা ঙমজনবা ঐহাক্নসু থৱায় য়াওনা হোৎনজরকখি।

অমরোমদা, পোষ্টিরিয়র হোকি একাদেমিদা ত্রেনিং তৌজরবসু ঐহাক শান্নবদি মৈরা ক্লবতা অদুমক শান্নজরকখি। মসিগী মখা তারকপদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মখাদা চত্থবা আর সী সীদা অমুক ত্রেনিং তৌজরকখি। আর সী সীগী ওজাশিং, ওজা মোটিলাল, ওজা অজিৎকুমার, ওজা প্রিয়ো, ওজা তোম্বী, ওজা ৱোজেনগী মখাদা অমুক শান্নজরকখি। ঐবু মীয়াম্না খরা খরা খঙনবীরকখিবসিদি কুমজা ২০০৫দা মণিপুরদা তোখিবা অন্দর-১৪গী হোকি টুর্নামেন্ট অদুদগীনি। অন্দর-১৪গী ফাইনেল মেচতুদা ঐখোয় মণিপুর টিমগা পঞ্জাবকা ফাইনেল শান্নখি। মদুদা মণিপুরনা ৩-১দা থোইহ্রগা ৱিন্নর লৌবা ঙমখি।

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**হোকিদা মীৎয়েং অমা**



ইন্দিয়াগী মীদ ফিল্ডর হোকি শান্নরোয় ওইনা চীংলেনস্না কুমজা ২০১১দগীদি ইন্টরনেসনল থাক্কী মরুওইবা মেচ কয়াদা মথং মথং লেপ্পুনা শরুক য়ারক্লি। ৱর্ল্ড কপ, এসিয়ন গেমস, এসিয়ন চেম্পিয়নশিপনচিংবা ইন্টরনেসনল মেচ ২০০ রোমদা মশক নাইনা য়াওখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া টিমগী ভাইস কেপ্তেন ১২ রকসু ওইখ্রে। হৌজিকসু ইন্দিয়া টিমগী ভাইস কেপ্তেন ওইনা লৈরি।

হোকিগী মতাংদা খরদং নীংশিংলম্বা য়াবা খরদি, ইন্দিয়া হোকি অসি মতম অমদদি মালেমগী লৈবাকশিংনা থোইদোক্না শিংথানরম্বনি। মরু ওইনা গ্রাসকী ফিল্দদা শান্নরিঙৈ মতমদদি ওলিম্পিক গেমসতসু অচৌবা মফম কনবা ঙম্লম্মী। কুমজা ১৯২৮দগীনা ১৯৫৮ ফাওবা অদুগা অমুক কুমজা ১৯৬৮ অমসুং ১৯৮০দা ইন্দিয়াগী হোকি টিম্না ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লম্মী। অদুবু মসিগী মখা তারকপদদি ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদগী হাইথখিদুনা ওলিম্পিক মেদলগী ৱারীসি ঙসি ফাওবা মঙফাওনবা ঙমদনা লাক্লি। অদুম ওইনমক হৌখিবা চহী খরদগীদি ইন্দিয়াগী হোকিঅসি হান্নগী ফীভমদা লাক্লবা হোৎনবদি লেপত্রি। কুমজা ২০১৮দা ইন্দোনেসিয়াগী জকার্টাদা তৌখিবা '১৮শুবা এসিয়ন গেমস' তদি ইন্দিয়ন টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল পুরকখি। হায়রিবা টিম অদুদা কাঙুজম চীংলেনস্নানা ভাইস কেপ্তেন ওইনা শরুকয়াখি। -মথং-মথং

# মণিপুরগী এম পি এস সি ফুটবোল ক্লব মায়থীখ্রে, কোলাপুর সিটিনা বরোদা ফুটবোল একাদমীবু পাঙ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে



**লুধিয়ানা, মে ০৬ (এজেন্সী)ঃ**
পঞ্জাব ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা ষ্টেট অদুগী সিটি লুধিয়ানাদা লৈবা গুরুনানক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা হিরো ইন্দিয়া ৱুমেন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মণিপুরগী ক্লবএম পি এস সি মায়থীহৌরে অদুগা কোলুপুর সিটিনা বরোদা ফুটবোল একাদমীবু মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিটশিংগী ওইবা টিমশিংনা লম্বা তৌনদুনা পাঙথোক্লিবা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অহানবা মেচ ওইনা মণিপুরগী ক্লব এম পি এস সি (মণিপুর পূলিস স্পোর্টিং ক্লব) অমসুং টামিল নাদুগী ক্লব সেথু এফ সিগা শান্নখিবা মেচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখি।

টামিল নাদুগী মদুরাইদগী হৌরকখিবা সেথু এফ সিগী মায়কৈদগী নেপাল মচা সাবিত্রা ভনধারিনা মহাক্কী টিম অদুগী ওইনা য়াম্না ফজবা মওংদা হেটত্রিক ফংখিবগা লোয়ননা মখাতানা পাঙ্জল অমসু চনখি। নেপালগী নেসনল ফুটবোল টিমগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইবা মরম্না মহাক্কী মশান্ননা লৈবাক অদুগী ইন্টর্নেসনল মেচ কয়া মায়পাকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্লিবা শান্নরোয় অমনি।

মহাক্না মণিপুরগী ক্লব এম পি এস সিগী মায়োক্তা শান্নবগী হৌরকপা শুপ্পগী ২৯শুবা সেকেন্দদা মেচকী অহানবা পাঙ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঙ্জল অদুনা হিরো ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লিগকী পুৱারীদা খ্বায়দগী থুনা চনখিবা পাঙ্জল ওইরিবনি।

সবিত্রা ভান্দারিনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঙ্জল অদু চন্দুনা মণিপুরগী এম পি এস সিবু পাঙ্জল ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। মণিপুরগী ক্লবা অদুনা মখাতানা পাঙ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকপদা পুশিল্লকখিবা বোল অমা শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা সেথু এফ সিগী গোল এরিয়াদা কাউশিনখিবদা বোল অদু সেথু এফ সিগী দিফেন্দর অমনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা শোয়বদগী মশাগী গোলদা পাঙ্জল অদু চঙহনখিবদগী মণিপুরগী এম পি এস সিগী পাঙ্জল অমা খুদোল তমখি।

সেথু এফ সিগী পাঙ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবী সাবিত্রি ভন্দারিনা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটত্রিক ওইবা পাঙ্জল অদু চন্দুনা এম পি এস সিবু ৩-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মণিপুরগী এম পি এস সিগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদুগী মহৈ শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ফংখি। টিম অদুগী মরু ওইবা ষ্ট্রাইকর বলানা পাঙ্জল অমা চন্দুনা ২-৩দা লৈখি।

শান্নবগী অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা সেথু এফ সিগী সাবিত্রা ভন্দারিনা মহাক্কী ৪শুবা অদুগা টিম অদুগীসু ৪শুবা পাঙ্জল অদু চন্দুনা মেচকী হাফ লোয়শিনখিবদা এম পি এস সিবু পাঙ্জল ৪-২দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মণিপুরগী এম পি এস সিগী মায়কৈদগী প্রমোদিনি চনুনা শান্নবগী ৬৫শুবা মিননটতা পাঙ্জল অমা চন্দুনা স্কোর বোর্দতা ৩-৪দা লৈখি। প্রমোদিনিগী পাঙ্জল অদুগী মিনট অমগী মনুংদা সেথু এফ সিগী টিমদা শরুক য়ারিবী মণিপুরদগী দাংমৈ গ্রেসনা ৬৬শুবা মিনটতা পাঙ্জল অমগা চন্দুনা মখোয়না ৫-৩দা হেন্দুনা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা সেথু এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা মণিপুরগী এম পি এস সিগী শান্নরোয়শিংগী মায়োক্তা অহেনবা মওংদা এটেক্ট চত্থবা ঙমখি। দাংমৈ গ্রেসনা শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৬শুবা পাঙ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মেচকী লোইশিল্লকপা ৯০শুবা মিনটতা এম পি এস সিগী মায়কৈদগী বলানা পাঙ্জল অমা চন্দুনা ঙসিগী মেচ অদু সেথু এফ সিনা ৬-৪দা থোইখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ টু অসিমক্কী মেচ অমদা কোলাপুর সিটি এফ সিনা বরোদা ফুটবোল একাদমীবু পাঙ্জল ৪-৩দা থোইখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা বরোদাগী মায়কৈদা কোলাপুর সিটিগী অয়োমোদি অয়োবাবানা শোয়বদগী পাঙ্জল অমা পীথোকখি।

৩৫শুবা মিনটতা বরোদাগী মায়কৈদগী মোনানা পাঙ্জল অমা চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মেচকী অহানা হাফকী অরোইবা মিনটতা কোলাপুরগী কাশমিনানা পাঙ্জল অমা চল্লগা ১-২দা শোত্থদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীম্মক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। মেচকী ৮২শুবা মিনটতা কোলাপুরগী প্রকসিতা মিথারিনা পাঙ্জল অমা চন্দুনা ২-২দা লৈখি। মখাতানা টিম অনীনা লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নরক্তুনা লৈখি।

মেচকী ৮৯শুবা মিনটতা বরোদা এফসিগী মায়কৈদগী হেতা শুক্লানা পাঙ্জল অমা চন্দুনা পাঙ্জল ৩-৩দা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু মেচ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা কোলাপুর সিটিগী মায়কৈদগী মণিপুরগী কমালানা পাঙ্জল অমা চন্দুনা কোলাপুর সিটিনা বরোদা ফটিবোল একাদমীবু ৪-৩দা থোইখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৪

১) ঐহাক ওলিম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াবা এথেন্সতা কুমজা ২০০৪দা চৎলুবদা নুপীগী নূং লংবগী থৌরম অদু ওলিম্পিক পাঙথোক্লিবা ষ্টেদিয়ম অদুদা পাঙথোকখিদে। পুৱারীগা মরী লৈনবা মফম অমদা পুরগা অথোই অহেন তান্নহনবা অদু পাঙথোকখি। মফম অদু কদায়দনো?

২) মহাক ওলিম্পিক্কী লমজেল চেম্পিয়ননি। মহাক্না শরুক য়াবা লমজেল অদু অহানবা রাউন্দদা সেকেন্দ ৫১.১৬তা চেনখি, অনীশুবা রাউন্দদা সেকেন্দ ৫১.৮৪দা চেনখিদুনা লমথুংফম য়ৌখি। মহাক কনানো?

৩) মহাক ফ্রান্সকী সেবর টিমগী ওইনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারুরে, মদুদা মরিশুবা তাখি অদুবু মহাক্তি নোবেল হুন্ফু হেন্না ইদুনা মমিং য়াম্না চৎখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী ইরোইবা চেম্পিয়ন স্বিদেনমচা অমা স্পেন্দা অথোই অহেন তান্নবা অমদা শরুক য়াবা চৎলুবদা লৈবাক অদুগী চৎনবী মিলিটরিগী মথৌ তৌনবা কৌখৎপদা চৎলুদবদগী জেলদা থমখিবা অদু কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নুপাগী টেনিসকী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা চয়োল ২৫০ ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরি




**পেরিস, মে ০৬ (এজেন্সী)ঃ**
মালেমগী টেনিস মশান্নগী খ্বাইদগী চাওবা লুপ ওইরিবা এসোসিয়েসন ওফ টেনিস প্রোফেস্নেলস (এ টি পি)গী খ্বাইদগী নৌবা শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগীপরিংদা নুপাগী সিঙ্গলসতা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা চয়োল ২৫০ চুপ্পা নম্বর ১গী থাক্তা লৈবা ঙম্লি।

মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ মতম শাংনা ওইরম্লবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর ঙসি এ টি পিগী অনৌবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা শোত্থরম্বদগী ৩শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখি। মহাক্না থাক অসি জমনিগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর জ্বেরেবপু মহুৎ শীনবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, রোজর ফেদরর মহাক্কী করিয়রদা গ্রান্স স্লাম টাইটল ২০ লৌবা ঙমখ্রবনি। হৌজিক চত্থরিবা স্পেনগী মাদ্রিদ ওপন ক্লে কোর্ট টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা চহী ৩ শরুক য়ারুদ্রবা মতুং হন্দক শান্নবা য়াওরকপনি। তশেংনমক রোজর ফেরর ক্লে কোর্ট টুর্নামেন্টশিংদা মকোক থোংদুনা টাইটল লৌবগী মশিং অসি য়ামদ্রি। মহাক্না লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা গ্রাস অমসুং হার্দ কোর্ট টেনিস টুর্নামেন্টশিংদা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীবা ঙমদুনা মকোক্তা লৈবা ঙম্লিবনি।

ক্লে কোর্টকী ওইনদি স্পেনগী শান্নরোয় রাফেল নদালগী লম্বা ফংবদা অৱাবা অমা ওইগদৌরি।

হৌজিক হৌজিক এ টি পিগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিংদা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি - অহানবদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস (পোইন্ট ১১১৬০), অনীশুবদা স্পেনগী রাফেল নদাল (পোইন্ট ৭৭৬৮), অহুমশুবদা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর (পোইন্ট ৫৫৯০), মরীশুবদা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব (পোইন্ট ৫৫৬৫) ফংখি।

মঙাশুবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা (পোইন্ট ৫০৮৫), তরুকশুবদা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দর্সন (পোইন্ট ৪১১৫), তরেৎশুবদা জপানগী কৈ নিসিকোরি (পোইন্ট ৩৭৮০), নিপালশুবদা অর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোট্রো (পোইন্ট ৩২২৫), মাপলশুবদা গ্রিসকী ষ্টিপানোস সিসিপাস (পোইন্ট ৩১৯০), তরাশুবদা য়ু এস এগী জেনইসনর (পোইন্ট ৩০৮৫) তা লৈরি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবনা ইন্দিয়াগী হোকি টিমদা য়াম্না চাওনা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি ঃ মনপ্রিত সিংহ



**বেঙ্গালুরু, মে ০৬ (এজেন্সী)ঃ**
ইন্দিয়াগী হোকি টিমনা মালেমগী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগা থা অসিগী ৮দগী ১৭ ফাওবা মেচ ৫গী হোকি সেরিজ অমা শান্নগদৌরিবা অসিনা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াম্না চাওনা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি হায়না টিম অসিগী কেপ্টেন মনপ্রিত সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী হোকি টিম অসি অনৌবা কোচ গ্রাহম রিদকী মখাদা শান্নগদৌরিবনি। ওষ্ট্রেলিয়া টুর অসিনা গ্রাহম রিদকী অহানবা এসাইনমেন্টনি। ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকিগী টিম অসিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নেসনল টিমগা মেচ ২, ওষ্ট্রেলিয়া এ টিমগা মেচ ২ অমদি ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াগী থন্দরষ্টিক্স ক্লবকা মেচ ১ শান্নগদৌরি।

অনৌবা কোচ গ্রাহম রিদকী মখাদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিম অসিগী কন্টিনজেনদা অহানবা ইন্টর্নেসনল মেচ শরুক য়াগদৌরিবা জাসকরন সিংহসু য়াওরি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী হোকি টিম অসিদা মতম শাংনা শরুক য়ারুদ্রবা অরমান কুরেসিসু টিম অসিদা শান্নগদৌরি।

হৌজিক হৌজিক মালেমগী হোকি শান্নবা লৈবাকশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অসি নম্বর ২দা লৈরিবনি। ওষ্ট্রেলিয়াদা ইন্দিয়াগী হোকি টিমনা মেচ ৫গী সেরিজ অমা শান্নগদৌরিবা অসি হোকি সেরিজ ফাইনেলগী শেম শাবা ওইনা শান্নবনি।

চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা পাথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়র অদুদা মকোক থোংবা ঙমদুনা টোকিয়ো ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা ঙম্নবগী হোৎনরকপা খোঙথাংনি।

হৌখিবা চেয়োল ৩ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিম অসিনা অনৌবা কোচ গ্রাহম রিদকী মখাদা অকনবা ট্রেনিং তৌদুনা হান্না লৈরম্বা অশোনবা মফমশিং ফুগৎনবা হোৎনরি।

# মেঞ্চেষ্টর সিটি ৱুমেন্স টিমনা ৱেষ্টহাম য়ুনাইটেদপু পাঙ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা এফ এ কপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



**লন্দন, মে ০৬ (এজেন্সী)ঃ**
ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিগী নুপীগী টিমনা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচতা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু পাঙ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা মেঞ্চেষ্টর সিটি ৱুমেন্স ফুটবোল টিম অসিনা নুপীগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লিগ কপকী টাইটলসু লৌবা ঙমখ্রবনি। মদুনা মরম ওইরগা চহী অসিদা ক্লব অসিনা থা ৩গী মনুংদা মমিং লৈরবা টাইটল ২ লৌবা ঙমখি।

ঙরাং অয়ুক অঙনবদা লন্দনগী ৱেমব্লেক ষ্টেদিয়মদা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচ অদুদা মেঞ্চেষ্টর সিটি ফুটবোল ক্লবনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদ ফুটবোল টিমবু হৌবদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা খুদুম চনবা ঙমখি।

ফাইনেল মেচ অদু মীওই ৪৪,০০০ রোমনা মীৎয়েং তাদুনা ফুটবোলগী লমদা ইংলেন্দদা লৈরিবা মীয়ামগী মশান্না অসিদা শৌগৎপগী অচৌবা মমি অদু অদুমক তাখি। নুপাগী মেচ খক্তা নত্তনা নুপীগী ফুটবোল মেচতসু মশিং য়াল্লবা মীওই কয়া থোরক্তুনা টিম অনীমকপু শৌগৎখি।

ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকী টিম অসি প্রোফেস্নল ৱুমেন্স ফুটবোল টিম অমা ওইনা অহানবা সিজন শরুকয়ারকপনি। মখোয়না হৌরকপদা চত্থখিবা এটেক অমদা জেন রোস হেদ তৌশিনবদা বোল অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী কোল কিপ্পর গারেননা ফাবা ঙমখি।

অহানবা হাফ পাঙ্জল অমত্তা লৈনখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী কৈরা ৱালসনা শানবা সোট অমা কাওশিনখিবদা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকী গোল কিপ্পর অন্না মুরহাউপু মায়থীবা পীদুনা অহানবা পাঙ্জল চনখি। মেচকী ৮১ শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী নহা ওইরিবা জিওরজিয়া ষ্টানলিনা পাঙ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০দা হেনখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ১খক্তা ঙাইরবা মতমদা সিটিগী মায়কৈদগী লোরেন হেম্পনা ফংখিবা বোল অমা মফম চাবা সোট অমনা টিম অদুগী ৩শুবা পাঙ্জল ওইরগা মায় পাকখি।

# ৱর্ল্ড নম্বর ১ নাওমি ওসাকা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা মদ্রিদ ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



**মাদ্রিদ, মে ০৬ (এজেন্সী)ঃ**
স্পেনগী কোনুং মাদ্রিদতা পাঙথোকপা মাদ্রিদ ওপন ক্লে কোর্ট টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলকী মায়কৈদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ জপানগী নাওমি ওসাকা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি নাওমি ওসাকা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইজরবসু ক্লে কোর্টতা শান্নবা এ টি পি টুর্নামেন্টকী টাইটল অমা ফাওবা লৌবা ঙমদনা লাকখি। মহাক্না ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুদা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোয় দোমিনিকা চিবুলকোভাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেটতা ইকোম কোম্না চিবুলকোভাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা মায় পাকপা ঙম্লবসু অনীশুবা সেটতদি অৱাবা নংখি। অনীশুবা সেট অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ নাওমি ওসাকানা স্লোভেনিয়াগী দোমেনিকা চিলবুকোভাগী অহেনবা মশান্না অদুদা পাউখুম পীবা ৱারকখি। অহানবা সেটতা মহাক্না চিবুলকোভাগী হিরম অয়াম্বদা খুদুম চনবা ঙম্লবসু অনীশুবা সেট অদুদদি মহাক্কী সোট খুদিংমক চিবুলকোভানা লম্বা পীদুনা লাকশিনবা ঙমখিদে।

সেট অদুনা কল অনীমক্তগী লম্বা মান্ননা লাকপা মরম্না গেম ১২ শুবা ফাওবদা শান্নরোয় অনীনা গেম ৬-৬ থোইদুনা লৈখিবদগী কাংলোনগী মতুং ইন্না টাইব্রেক শান্নখি। টাইব্রেক অদুসু অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদবদগী পোইন্ট মান্নদুনা লাকখি। নাওমি ওসাকানা টাইব্রেক অদুগী লোইশিল্লকপা খুদোংচাবা অমা ফংবদগী পোইন্ট ৮-২দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী শান্নরোয় সোরিবোস টোরোমোগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপনা বৃটেনগী ইংলোদকা অহানবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী পেলা অমসুং পোর্টুগালগী সুজাগী মখুৎতা মায়থী হৌখি।